# লৈহাও মেমোরিএল সুপর দিভিজন লীগতা সেনা এথলেট ওর্গনাইজেসন মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৯ ঃ

দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএশন (দি এস এ) ককচীংনা শিন্দুনা দি এস এ ককচীংগী প্লে গ্রাউন্দদা চথরিবা লৈহাও দেবী মেমোরিএল সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগকী ঙসি শান্নখিবা ৭শুবা অমদি অরোইবা লীগ রাউন্দদা সেনা এথলেট ওর্গনাইজেসন (এস এ ও) ককচীং মায় পাক্তুনা পোইন্ট ১৫ ফংদুনা লীগ টেবলগী মকোক্তা লৈখ্রে।

ককচীংগী সুপর দিভিজন লীগকী টিম ৮না শরুক য়াদুনা চথরক্লিবা লীগ অসিগী ঙসি শান্নখিবা মেচ অদুদা সেনা এথলেট ওর্গনাইজেসন (এস এ ও) ককচীংনা পব্লিক য়ুথ ক্লব (পি ৱাই সী) কৈরক গোল ৮-২ দা মায়থীবা পীখ্রে। মেচ অদুদা চাউনা মায় পাল্লবা সেনা এথলেট ওর্গনাইজেসনগী শান্নরোয়শিংনা মেচকী অঙনবা মতমদগী হৌনা য়াম্না কোওর্দিনেসন লৈনা শান্নরকপনা ওপোনেন্ট টিমগী মায়কৈদা অকনবা এটেক কয়া মীৎকুপ কাংদনা চথুখি। সেনা এথলেট ওর্গনাইজেসনগী শান্নরোয়শিংনা য়াম্না হৈ-শিংবা হেনখিবা মরম্না মেচ অদুগী অহানবা হাফ ফাওবদা গোল ৩ চনখি। অদুবু মেচ অদুদা মায়থীহৌরবা পি ৱাই সী কৈরক্কী শান্নরোয়শিংনসু মেচকী অহানবা হাফকী মতমদা য়াম্না মপাঙ্গল কন্না শান্নখিবনা টিমদুগী গোল অনী অদু চনবা ঙমখি।

মেচ অদুগী হাফ মতুংদদি সেনা এথলেট ওর্গনাইজেসনগী শান্নরোয়শিংনা থৌনা হনবা লৈতনা অমগা-অমগা য়াম্না চুংশিন্ননা শান্নরকখিবনা গোল ৫ থংনা-থংননা চনশিন্দুনা টিম অদুগী পূন্না গোল ৮ শুখি।

মেচ অদুদা মায় পাল্লবা সেনা এথলেট ওর্গনাইজেসননা মেচ ৭ শান্নখিবদা মেচ ৪ মায় পাকখি। মেচ ৩না দ্রো ওইদুনা পোইন্ট ১৫ ফংলগা লীগকী টেবলগী খ্বাইগী মকোক্তা লৈখিবনি। মায়থীহৌরবা পি ৱাই সী কৈরকনা মেচ ৭ শান্নখিবদা শুপ্পগী মেচ অমখক মায় পাকখি। মেচ অনীনা দ্রো ওইখি। অদুগা মেচ ৩না মায়থীদুনা পোইন্ট ৫ খক ফংলগা ৭শুবা মফমদা লৈখ্রে। মায় পাল্লবা সেনা এথলেট ওর্গনাইজেসনগী শান্নরোয়শিংনা পি ৱাই সীবু য়াম্না লাকচনা মায়থীবা পীদুনা লীগকী টেবলদা মকোক্তা লৈদুনা ককচীং সুপর দিভিজন লীগকী চেম্পিয়ন ওইনবগী লম্বী য়াম্না নক্না লৈখ্রে।

কে পি এস সী ককচীংনা পোইন্ট ১৪ ফংলগা সেনা এথলেট ওর্গনাইজেসনগী হেক মতুংদা লৈরি। ঙসিগী মেচ অদুদা মায় পাল্লবা সেনা এথলেট ওর্গনাইজেসনগী য়াম্না মরু ওইবা শান্নরোয় অমা ওইরিবা জয়কিষননা গোল ৫ মেচকী ৩৭, ৫৭,৬২, ৮২, ৮৫ শুবা মিনিটতা চন্দুনা টিমগী মায় পাকপদা চাউনা মতেং পাংখিবগা লোয়ননা হেদ ট্রিক ফংখি। জয়কিষনগী গোল ৫ অদুদা সেনা এথলেট ওর্গনাইজেসনবু চাউনা মায় পাক্তুনা লীগ অসিগী চেম্পিয়ন ওইনবগী লম্বীদা মাঙজিল থানা চৎহনখি। সেনা এথলেট ওর্গনাইজেসনগী হেম্বনা গোল ২, মেচকী ২০ অমসুং ৪৭ শুবা মিনিটতা চনখি। রোমেশনা গোল অমা মেচকী ৩২ শুবা মিনিটতা চনখি।

মেচ অদুদা মায়থীহৌরবা পি ৱাই সী কৈরক্কী সৈত্যকুমারনা গোল অমা মেচকী ৪২ শুবা মিনিটতা চনখি। অদুগা দেবিদনা গোল অমা মেচকী ৪৭ শুবা মিনিটতা চনখি।

চথরিবা সুপর দিভিজন লীগ অসিগী হয়েং নুংথিল পুং ২.৩০ তাবা মতমদা সোসল ৱেলফেয়ের ক্লব (এস দব্লিয়ু সী) ৱাইখোং অমসুং য়ুথ প্রোগ্রেসিভ ওর্গনাইজেসন (ৱাই পি ও) সোরাগা শান্নরগনি। সুপর দিভিজন লীগ অসিগী অরোইবা মেচ থা অসিগী ২১ গী নুংথিল পুং ২ তাবা মতমদা আইদিএল য়ুথ এসোসিএসন (আই ৱাই এ) ককচীং অমসুং সোসল ৱেলফেয়ের ক্লব (এস দব্লিয়ু সী) কৈরক অনীনা শান্নরগনি।

# চান্দেল সুপর দিভিজন লীগতা কাপাম দিভলপমেন্ট ক্লব অমসুং এল ৱাই সী সী মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৯ ঃ

দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএশন (দি এস এ) চান্দেলনা শিন্দুনা হৌখিবা তাং ১৭ তগী টিম ৭ না শরুক য়াদুনা লিৱা সরাই ফুটবোল গ্রাউন্দদা চথরিবা সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেচতা কাপাম দিভলপমেন্ট ক্লব (কে দি সী) অমসুং লম্খুং য়ুথ এন্দ কলচরেল ক্লব (এল ৱাই সী সী) মায় পাকখ্রে।

সুপর দিভিজন লীগ অসি ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেচতা কাপাম দিভলপমেন্টক্লব (কে দি সী)না মোনসাং পন্থা য়ুথ এন্দ কলচরেল ক্লব (এম পি ৱাই সী সী) গোল ৮-৪ দা মায়থীবা পীখ্রে। মেচ অদুদা চাউনা মায় পাল্লবা কে দি সীগী শান্নরোয়শিং অমসুং এম পি ৱাই সী সীগী শান্নরোয়শিংনা মেচকী অঙনবা মতমদগী হৌনা অমনা অমগী মায়োক্তা অকনবা এটেক কয়া চথুদুনা শান্নখি। য়াম্না কম্পিটিটিভ ওইনা শান্নবা হৌরকখিবা মেচ অদুগী অহানবা মিনিটতা কে দি সীগী এন বেসিলোংনা গোল একাউন্ট হাংদোকখি। কে দি সীনা গোল অমা হেক মাঙজিল থাখিবা মতুং থংনবা মীৎকুপ্তা টিমদুগী শান্নরোয় পি আর সুংগ্রিম চোথেনা অনীশুবা গোল চনখি।

কে দি সীনা গোল অনী চনখ্রবা মতুং গোল শোন্থরিবা এম পি ৱাই সী সীগী টি এস এন্থোনিনা টিমদুগী অহানবা গোল মেচকী ১৫ শুবা মিনিটতা চন্দুনা কে দি সীদগী গোল অমা হন্দোকখি। গোল অমা মাঙজিল থারিবা কে দি সীগী পি আর সুংগ্রিম চোথেনা থংনা-থংননা গোল ৩ অমুক মেচকী ২৭, ৩৬ অমসুং ৪৬ শুবা মিনিটতা চন্দুনা টিমদুগী পূন্না গোল ৫ শুখি।

মেচ অদুগী হাফ মতুংদা কে দি সীগী এম কে সালেমথাংনা টিমদুগী ৬শুবা গোল মেচকী ৫৭ শুবা মিনিটতা চনখি। টিমদুগী শান্নরোয় আর দার্সিংনা গোল ২ থংনা-থংননা মেচকী ৭৬ অমসুং ৮০ শুবা মিনিটতা চন্দুনা টিমদুগী পূন্না গোল ৮ শুখি।



মেচ অদুদা মায়থীহৌরবা এম পি ৱাই সী সীগী অনীশুবা গোল ডুরুস গিলসনা মেচকী ৫৯ শুবা মিনিটতা চনখি। টিমদুগী অহুমশুবা গোল এস ঐচ সবাদনা মেচকী ৭১ শুবা মিনিটতা চনখি। টিমদুগী ৪শুবা গোল এন জি সলিম পিটরনা টিমদুগী মরিশুবা গোল মেচকী ৭৮শুবা মিনিটতা চনখি।

মেচ মায় পাল্লবা কে দি সীগী এন বেসিলোং মেচকী ৪৮শুবা মিনিট অদুগা এন জি মিনথাং মেচকী ৫০শুবা মিনিটতা রেফ্রীনা য়েল্লো কার্দ অমমম্ বূক তৌখি।

ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা মেচতা লম্খুং য়ুথ এন্দ কলচরেল ক্লব (এস ৱাই সী সী)না ঐচৱাই সী গোল ২-০ দা মায়থীবা পীখ্রে। মেচ অদুদা মায় পাল্লবা এল ৱাই সী সীগী অহানবা গোল রোনাল্ড হুলাংনা মেচকী ২৬শুবা মিনিটতা চন্দুনা টিমগী মায় পাকপগী লম্বী শেমখি। এল ৱাই সী সীনা গোল অমা মাঙজিল থানা লৈখ্রবদা গোল শোথরিবা ঐচ ৱাই সীগী শান্নরোয়শিংনা গোল হন্দোক্লবগীদমক য়াম্না কন্না শান্নরকখি। অহানবা হাফফাওবদা ঐচৱাই সীনা গোল হন্দোকপা ঙমদনা লৈখ্রবা মতুং মেচ অদুগী ৫৬ শুবা মিনিটতা এল ৱাই সী সীগী জে এস অলোভরনা টিমদুগী অনীশুবা গোল চনখি।

এল ৱাই সী সীনা গোল অনী শুথ্রবদা গোল শোথরিবা ঐচ ৱাই সীগী শান্নরোয়শিংনা গোল হন্দোক্লবগীদমক ফনা কন্না শান্নখি। অদুবু গোল অমত্তা চনবা ঙমদনা ঐচ ৱাই সী মায়থীহৌখি। মেচ অদুদা ঐচ ৱাই সীগী এন এল লালরিরিন মেচকী ২৫ শুবা মিনিটতা অদুগা আর দি ৱোলনিরিং মেচকী ৭০ শুবা মিনিটতা রেফ্রীনা য়েল্লো কার্দ অমমম্ বূক তৌখি।

মেচ মায় পাল্লবা এল ৱাই সী সীগী সেন্ট হর্বর্টসন মেচকী ২৮শুবা মিনিট, সেন্ট সেলথারিং মেচকী ৩৪শুবা মিনিট অদুগা দৌদিনহাও মেচকী ৬৪ শুবা মিনিটতা রেফ্রীনা য়েল্লো কার্দ অমমম্ বূক তৌখি।

হয়েং মফম অসিমত্তদা ফাষ্ট দিভিজনগী অহানবা মেচ নুংথিল পুং ১২.৩০ তাবা মতমদা এল দি এল এফ সী অমসুং জেদ এস ৱাই সীগা শান্নগনি। অনীশুবা মেচ নুংথিল পুং ২.৩০ তাবা মতমদা সী এফ সী অমসুং এল এস ৱাই সীগা শান্নরগনি।

# ৱার্ল্ড নম্বর ৱান লী চোং ৱৈনা লিন দান মায়থীবা পীদুনা নুপাগী বেদমিন্টন সিঙ্গল ফাইনেল চঙখ্রে



রিও দি জানৈরো, ওগষ্ট ১৯:

মফম অসিদা চথরিবা রিও ওলেম্পিক্স গেমসকী নুপাগী সিঙ্গল বেদমিন্টনগী ফাইনেলদা মালেসিয়াগী ৱার্ল্ড নম্বর ৱান লী চোং ৱৈ চঙখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা য়াম্না নুংঙাইরবা সেমি ফাইনেল মেচ অদুদা মালেসিয়াগী ৱার্ল্ড নম্বর ৱান লী চোং ৱৈনা মতম অমগী ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন কয়ারক হন্না ওইরম্লবা মালেমগী মমিং লৈরবা শান্নরোয় লিন দানবু ২১-১৫, ২১-১১, ২২-২০দা মায়থীবা পীদুনা লী চোং ৱৈ ফাইনেলগীদমক শেম শাদুনা লৈখ্রে।

লী চোং ৱৈনা লিন দানবু মায়থীবা পীরমখিবা অসিনা মহাক্কী পুন্সিদা অচৌবা মায় পাকপা অমা ওইখিবগা লোয়ননা রিও ওলেম্পিক্সকী গোল্ড মেদল লৌগনি হায়বগী থাজবসু হেন্না নকশিনখ্রে। লিন দান অমসুং লী চোং ৱৈ অনীনা য়াম্না অকনবা লম্বা তৌদুনা শান্নখিবা মেচ অদুদা শান্নরোয় অনী অসিনা য়াম্না হৈ-শিংনা শান্নখি। নীংশিংবা য়াই, ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন মঙারক ওইখ্রবা লিন দান মশাগী চহী ৩২ শুখ্রে। অমরোমদা, লিন দানবু মায়থীবা পীরমখিবা লী চোং ৱৈ মশাগী চহী ৩৩ শুরবা ভেটরান শান্নরোয় ঙাক্তনি। শান্নরোয় অনীমক রিও ওলেম্পিক্স গেমস অসিনা মখোয়গী অরোইবা ওইরোইদৌরি। কুমজা ২০২০ টোকিও ওলেম্পিক্সতা মখোয় অনীমক শরুক য়াগনি হায়বগী পান্দমদ থল্লিবা শান্নরোয়নি। লী চোং ৱৈনা ফাইনেলদা হয়েং কনাগা শান্নগদগে হায়বা খঙদ্রবসু চাইনাগী চেন লোং অমদি দেনমার্ককী ভিক্টর এক্সেলসেন অনীগী মরক্তা শান্নগদৌরিবা সেমি ফাইনেল মেচ অসিদগী মায় পাল্লকপা অদুগা লী চোং ৱৈগা থেংনগনি।

নীংশিংবা য়াই, ২০০৮গী বৈজিং ওলেম্পিক্স গেমসতা লিন দাননা লী চোং ৱৈবু ২১-১২, ২১-৮ তা মায়থীবা পীদুনা অহানবা ওইনা ওলেম্পিক্সকী গোল্ড মেদল লৌখিবনি। লী চোং ৱৈ হৌজিক ফাওবদা ওলেম্পিক্কী টাইটল অমুক্তা লৌদ্রিবা শান্নরোয় ওইবতা নৎতনা ৱার্ল্ড চেম্পিয়নসু লৌদ্রি। লী চোং ৱৈনা ওলেম্পিক্স অনীরক ফাইনেল চঙখ্রে। অদুবু অনীমক ফাইনেলদা মায়থীদুনা সিলভর মেদল ফংহৌখি।

# ইন্দিয়াগী রেষ্টলর সন্দিপ টৌমার ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন অনীরক ওইখ্রবা রসিয়াগী ভিক্টর লিবিদেবকী মখুৎতা মায়থীহৌরে



রিও দি জানৈরো, ওগষ্ট ১৯:

ইন্দিয়াগী রেষ্টলর সন্দিপ টৌমার ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন অনীরক ওইখ্রবা রসিয়াগী ভিক্টর লিবিদেবকী মখুৎতা মায়থীদুনা ওলেম্পিক্কী মেদলগী আশা কায়খ্রে।

ঙসি শান্নখিবা নুপাগী কে জি ৫৭কী ফ্রী ষ্টাইল রেষ্টলিংদা ইন্দিয়াগী রেষ্টলর সন্দিপ টৌমারনা য়াম্না থৌনা ফনা রসিয়াগী ভিক্টর লিবিদেবকী মায়োক্তা শান্নখি। রাউন্দ ওফ ১৬গী ঙসি শান্নখিবা বাউট অদুদা সন্দিপ টৌমার ভিক্টর লিবিদেবকী মখুৎতা ৭-৩ দা মায়থীখি।

ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন অনীরক ওইখ্রবা রসিয়াগী রেষ্টলর ভিক্টর লিবিদেব ক্বাটর ফাইনেলদা খুমাঙ চাউশিনখিবগা লোয়ননা হায়রিবা বাউট অসিদা মহাক শোয়দনা মেদল ফংগনি হায়বগী অচেৎপা থাজবসু ফোঙদোকখ্রে।

সন্দিপ টৌমার অমদি ভিক্টর লিবিদেব অনীনা ঙসিগী বাউট অদু অহৌবদগী হৌনা কোসন অমমম্ ফংখি।

বাউট অসিগী অহানবা রাউন্দনা ভিক্টর লিবিদেবনা পোইন্ট অমা মাঙজিল থাদুনা লৈখি। মথংগী রাউন্দদা ইন্দিয়াগী রেষ্টলর সন্দিপ টৌমারনা ভিক্টর লিবিদেবতা অকনবা এটেক চথুখি। অদুবু সন্দিপ টৌমারনা চথুখিবা এটেকশিং অদু ভিক্টর লিবিদেবনা য়াম্না হৈ-শিংনা থৈদোক-থৈজিন তৌদুনা শান্নদুনা সন্দিপ টৌমারগী মথক্তা কাউন্টর এটেক চথুদুনা অনীশুবা রাউন্দ অসিদসু পোইন্ট অনী অমুক ফংদুনা ভিক্টির লিবিদেবনা পোইন্ট ৩ মাঙজিল থানা চৎখি।মথংগী রাউন্দদসু লিবিদেবনা পোইন্ট ২ অমুক লৌদুনা পোইন্ট ৫-০ দা মাঙজিল থানা চৎখি। অদুবু সন্দিপ টৌমারনা য়াম্না হৈ-শিংনা শান্নদুনা পোইন্ট ৩ লৌদুনা ৫-৩ দা লৈখি। বাউট অদুগী লোইগদবা সেকেন্দ ৬০ খক্তা ঙাইরবা মতমদা ভিক্টর লিবিদেবনা সন্দিপ টৌমারবু পোইন্ট ৭-৩ দা মাঙজিল থাদুনা লৈখিবগা লোয়ননা সন্দিপ টৌমার মায়থীবা পীরম্লগা ক্বাটর ফাইনেল চঙখি।

# রিও ওলেম্পিক্সকী এথলেটশিংবু মতেং পাংলকপগীদমক সচিন তেন্দুলকরনা মীয়াম্বু থাগৎপা ফোঙদোকখ্রে

ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ১৯:

রিও ওলেম্পিক্স গেমসতা ইন্দিয়াগী মহুৎ শীন্দুনা শরুক য়ারিবা শান্নরোয়শিংবু মতেং পাংলকখি-বগীদমক্তা সচিন তেন্দুলকরনা লৈবাক অসিগী মীয়াম্বু থাগৎপা অমদি তৌবীমল খঙবা উৎখ্রে।

শান্নরোয় খুদিংমক্না মীয়ামগী সপোর্ট য়াম্না দরকার ওই। মীয়ামগী সপোর্ট ফংলবা মতমদা শান্নরোয়শিংগী নুংঙাইজবা অদু ফংই হায়না সচিন তেন্দুলকরনা ফোঙদোকখি। চহী ৪/৪ লৈরগা পাঙথোকপা ওলেম্পিক্স গেমসতা ইন্দিয়াগী খ্বাইদগী চাউবা কন্টিঞ্জেন্ট ওইনা হন্দক্কী রিও ওলেম্পিক্স অসিদা শরুক য়ারিবনি। অদুবু হৌজিক ফাওবদা ইন্দিয়ানা শুপ্পতগী ব্রোঞ্জ মেদল অমখক ফংদুনা লৈরি। অদুবু ঙসি অথেংবদা নুপীগী বেদমিন্টন সিঙ্গলকী ফাইনেলদা পি ভি সিন্ধু মায়থীদুনা সিলভর মেদল অমা লৌখিবা অসিনা হৌজিক ইন্দিয়ানা রিও ওলেম্পিক্স গেমসতা সিলভর মেদল অমদি ব্রোঞ্জ মেদল অমমম্ ফংলি। অদুবু কুমজা ২০১২দা পাঙথোকখিবা লন্দন ওলেম্পিক্স গেমসতা ইন্দিয়ানা মেদল ৬ লৌদুনা ইন্দিয়াগী অনৌবা পুৱারী অমা শেমখ্রবনি।



লন্দন ওলেম্পিক্স গেমসতা ইন্দিয়ানা মেদল ৬ লৌখিবা অসিনা ইন্দিয়াগী খ্বাইদগী চাউনা মায় পাকপা ওইরিবনি। ইন্দিয়ন কন্টিঞ্জেন্ট অসিগী এম্বেসেদর ওইনা রিওদা ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিংবু পূক্নিং থৌগৎনবগীদমক লৈরিবা সচিন তেন্দুলকরনা মখা তানা ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিংদা সপোর্ট তৌবা তঙাইফদে হায়রি।

সচিন তেন্দুলকরনা ইন্দিয়াগী মেদল একাউন্ট হাংদোকখিবী রেষ্টলর সক্সি মালিকপুসু থাগৎপা ফোঙদোকখি। মহাক্না লৈবাক অসিবু চাউথোক-চনিংঙাই ওইহল্লে হায়খি।

# শূটিং কম্পিটিসনগী মনা য়েন্থোক্লগনি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৯: মণিপুর রাইফলস এসোসিএসননা শীন্দুনা হৌখিবা তাং ১৭ তা লোইশিনখিবা ২৬শুবা ওল মণিপুর শূটিং কম্পিটিসন ২০১৬দা মকোক মথং তাখ্রবা শূটরশিংদা মনা য়েন্থোকপগী থৌরম অমা থা অসিগী ২১ গী নুংথিল পুং ২.৩০ তাবা মতমদা খুমন লম্পাক শূটিং রেঞ্জতা পাঙথোক্লগনি। মনা য়েন্থোকপগী থৌরম অসিদা এদভোকেট জেনরেল টি ঐচ ইবোহল, মণিপুর রাইফলস এসোসিএসনগী সিনিয়র ভাইস প্রসিদেন্ট এম রাচন্দ্র, মণিপুর ষ্টেট লোক জন্নশক্তি পার্টিগী জেনরেল সেক্রেটরি অথোকপম কিশোর, হাওবিজম গীতাজেন, ইবোয়াইমা হোস্পিটাল এন্দ রিছার্স সেন্টরগী মেনেজিং দিরেক্টর থোকচোম হিরোনা মথংশিৎনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়ারগনি।




HL-B/3217/2/7-12/8(alt.)


